# বরাক অমদি মক্রু থোং চীফ মিনিষ্টরনা থাখিবা মতমদা শঙ্গাবা ঙমলোই : পি সরতচন্দ্র



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি পি সরতচন্দ্রনা লুচিংবা এম পি সী সীগী টিম অমনা ঙরাং নেসনল হায়ৱে ৩৭কী বরাক থোং, মক্রু থোং অমদি হায়ৱে অসিগী ফীভম কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পি সরতচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনষ্টিরনা মণিপুরগী মীয়ামদা পংহায়দা হায়জিনবা অসি য়ানীংদে।

হায়ৱে অসিগী য়াম্না মরু ওইবা বরাক থোং অসি কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ১২দা লৈশা লাৎপগী থৌরমদা বরাক থোং অসি লুপা ক্রোর ১১০ রোম চঙনা শারগা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা শঙ্গাগনি হায়খিবনি। অদুবু শাবা লোইশিনবা ঙমখিদে। মক্রু থোংনা মথংগী কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৫দা শঙ্গাগনি হায়খিবা অদু লৈরিবা ফীভম অসি উৱগদি চহী মঙা হেন্না চঙখিগনি হায়খি।

চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ওক্টোবর ১৮দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল জিরি লম্বী অসি শেমজিন-শাজিনবদা বরাক মক্রু থোং অসি কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ২৫ অমদি কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১৫দা মথং-মথং শঙ্গারগনি হায়না লাউথোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূৎথাংদা শঙ্গারগনি হায়না লাউথোকখিবনি। লৈরিবা থোংগী ফীভম অসিদি মতম থাবা ঙমদবা মখৈ লৈরি। থোং অসি করম্বা মতমদা শঙ্গাগদৌরিবনো হায়বদু লম্বী অসিদা চৎলিবা মীয়ামসু খঙবীগনি। চহী মঙা ফাওবা লোইশিনবা ঙমগদবা মান্দে। অথুবা মতমদা মক্রু অমদি বরাক থোং দিসেম্বর ২৫ অমদি জন্যুৱারী ১৫, ২০২১দা শঙ্গারগনি হায়বা অদুদা ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইজখি। মণিপুরগী প্রজা অমা ওইনা ঐখোয় চাউথোকচখি। ঐখোয়না মক্রু থোং অমদি বরাক থোং য়াম্না টেম্পর লৈবা আর সী সী ব্রিজ লৈরগনি হায়না আশা তৌজখিবনি। অদুবু ঙসি থোং অনী অসিগী লৈরল্লিবা ফীভম অসিগা মীয়ামদা লাউথোকখিবা অদুগদি পুরা তাইওন্নবা ফীভম অমদা লৈরল্লে। মসিদা ঐখোয়না হায়জনীংলিবসি য়াম্না দায়ত্ব লৈবা লৈবাক্কী মপি-মপা অমা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর অমনা লৈরিবা ফীভম অসিগী কন্দিসন অমত্তা য়েংবীদনা নৎত্রগা থবক শুরিবা নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) নচিংবা হান্না তান্নদনা দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারীদা শঙ্গারগনি হায়না হেক্তা লাউথোল্লগা মণিপুরগী মীয়াম্বু য়াম্না চমম্ন বা থোকহনবা অসি ঐখোয় মণিপুরদা লৈবা খুঞ্জা অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা পংহায়দা হায়জিনবা মানবা মওং অসি হায়জহন্নীংদে। মতুং তারকপদদি থোং অসিবু শারিবা এঞ্জিনিয়রশিংগা হান্না তানরগা করম্বা মতমদা শঙ্গাগনি হায়বনা মীয়ামগী পূক্নিংদা হেন্না নুংঙাইহনগনি। মদুদি নত্তনা অসুক য়াম্না নাতে চাদবা ফীভমদা লৈরিবা থোং অসিবু দিসেম্বর ২৫দা শঙ্গারগনি হায়না হেক্তা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপা হায়বসি ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পেন দবা পোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মতুংদদি য়াম্না থৌদাং লৈবা চীফ মিনিষ্টর অমনা পংহায় হায়জিনবা , মণিপুরগী মীয়াম্বু নমথাক তৌবীবা অমদি ওইদ-পাদবা ময়াম অমা হায়জিল্লগা মীয়ামদা উৎ চাইবগী থবক অসি মতুংদদি তৌবীদনবা এম পি সী সীগী মায়কৈদগী হন্না হন্না হায়জরি। হৌজিক ৱাৎলিবা থবক অসি অকনবা পোলিটিকেল ৱিলগা লোয়ননা থবক শূবীদুনা য়াম্না থুনা শঙ্গানবা তৌবীয়ু। শঙ্গাবা ঙমগদবা অদুসু মীয়ামদা ইশানা শোয়রোইদবা তারিখ অদুসু লাউথোকপীয়ু। কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১০দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস য়াবেদকরনা এন ঐচ ৩৭ অসি য়াম্না পাক চাউনা এরোপ্লেন তাবা য়াবা মওংদা শেমগনি হায়না লাউথোকখি।

হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসিদা গাড়ী ময়াম অমা চৎপা য়াদনা লমখাংদা খামদুনা লৈরি। খোংশাং মনিং, বরাক্কী ঈশিং অমদি মক্রু য়ৌরমদাইদা হৌজিক লম্বী অসিগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। পোৎ পুবা ত্রক অমা লাকপদা গাড়ী মনিং মমাঙ হাইরগা লোংগদ্রা-লোংলোইদ্রা হায়না য়াম্না ৱানা নাতে চাদবা মওংদা লাকপা অসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরে। চুম্নগী মিনিষ্টর অমসু নত্তবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমনা পংহায় হায়জিনবা অসি ঐখোয়না য়ানীংদে। ইরমদম মণিপুর অসি হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দ্রগ ফাগৎখিবা কেসকী মতাংদা লৈঙাক্না নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা অচুম্বা পীবীয়ু : ইমা লূপশিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস) : দ্রগ ফাগৎখিবগী কেস অসি লৈঙাক্না দ্রগ লল্লোনবশিংগগী মরক্তা থেংনবা কেসনি। মরম অদুনা নুমিৎ তরানিগী মনুংদা হায়রিবা কেস অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অচুম্বা পীবিগদবনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী মেজের খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপ ১৫গী মীহুৎশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।



থৌরম অসিদা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) কী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মরাল লৈত্রে হায়দুনা লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌ কোর্টনা থাদোক্লে। অদুবু দ্রগশিং অদু মহাক মশামক্কী ক্বার্টেরদগী ফাখিবনি। অদুগা পূন্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাখিবা অপূনবা মীওই ১৩গী মনুংদা অনীখক্তমক মরাল লৈরে হায়রি।

মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অনীদুগী মনুংদা য়াওরিবা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবা থাগী তোলোপ লুপা লিশীং ৫/১০ খক ফংজবা দ্রাইভর অদুনা মতৌ করম্না লুপা ক্রোর ২৭কী দ্রগশিং লল্লোনগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংখি।

লুচিংবী অসিনা মখা তারদুনা হায়, ঙাইহাক লৈতনা তাইশিনবা, ঙাইহাক লৈতনা উকিল অমদি জজশিং শিনবা হায়বসি করপসন্দা মপূং ফারবা অমনি। অদুগা গেলেন্টরি এৱার্দ ফংলগা হন্দোকপা হায়বগী থৌদৌ অসিসু তরাইনা লৌদে। মরম অদুনা জজনা তারিবা জজমেন্ট অসি ফারিবা অদুনা লাল্লিব্রা নৎত্রগা লল্লোলিবশিং অদুনা লাল্লিব্রা হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু। মসিগা লোয়ননা জজমেন্ট অদুগী মতাংদা হায়র কোর্টতা থাঙ্গৎতুনা অচুম্বা পুথোকপীগদবনি হায়খি।

মহাক্কী মথংদা ওল মণিপুর ৱিমেন রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী প্রসিদেন্ট থোকচোম রমনিনা হায়খিবদা, দ্রগশিং ফাই হায়বদি তাই। অদুবু ফারবা দ্রগশিং অদু কদাইদা থম্মী হায়বদি খঙদে। চাবসু পাক্তক্লনা চারি। মসিদা ইমাশিংনসু থিংই হায়বদনি, চাবসু হেনগৎলকই। মমা-মপা ফরবদি লৈবাক ফৈ, মচা ফৈ হায়নরিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিগী মপি-মপা ওইবনা অমুক্তং খন্থবীয়ু, ইচাশিং কনবীয়ু হায়খি।

দ্রগ লল্লোনবগী লৈবাক ওইনা লৈরে হায়বগা লোয়ননা ঐখোয়না থিংলবসু লৈঙাক্না য়ারি হায়দুনা উশিৎপীদ্রে হায়খি।

দ্রগ লল্লোন্দুনা শেল তাল্লগা ইচা অমত্তনা থিংদ্রবদি করি কান্নগনি। লুখোসৈ জৌদগী দ্রগ ফাবা হায়বসি মশাগী ক্বার্টেরদগী ফাবনি। লৈঙাকসি হেক লাকপদগী ফৎলক্ত্রে হায়বা য়াই। মমাঙগী লৈঙাক্না ফৎলক্ত্রবসু হৌজিক্কী লৈঙাক্তি ফরকপা য়াই। মরম অসিনা অফবা তৌবীয়ু হায়খি।

নুপী সমাজগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টগী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকসনানা ফোঙদোকখিবদনা, কুমজা ১৯৭০দগী হৌরদুনা ইমাশিংনা ময়াই কাবা চিঙাকশিং থিংবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু কুমজা ২০১৮দা লুখোসৈ জৌগী ক্বার্টরদগী লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী দ্রগ ফাখিবসি য়াম্না থাজদনা দ্রাইভর অমসুং মীওই অমগনা মখোয়গীনি হায়না পাউখুম পীদুনা জজনা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোক্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মসিনা ইমা লূপশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই। জজনা ওর্দর থোক্লিবদুদি থাগৎলক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন্দুননি। অদুবু মসি চহী কয়া লৈরগনি। মতমদুদা ফাখিবা অমদি থিজিনবদা থৌদাং লৌরম্বশিং শিন্দোক্লবা মতুংদা হৌজিক্না লুখোসৈ জৌগী বলিগী হামেং ওইহল্লব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে হায়খি। মরম অসিনা নুমিৎ তরানিগী মনুংদা হায়র কোর্টতা থাঙ্গৎলগা অচুম্বা পুথোক্কদবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা তম্মী-চীংমী, অপূনবা নুপী লূপ, চিতুৱা, ইচল, কংলামৈ, ইকল, কিল, কংলৈপাক ৱিমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিএসন, নিমপাল, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমসুং থৌবাল ইমানচিংবা লূপশিংগী মীহুৎশিংনসু শরুক য়াখি।

# ‘অমিট শাহগী খোঙচৎ বি জে পিগী প্রোপেগন্দাগীনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ঙরাং ইম্ফালদা লাক্লমখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী খোঙচৎ অদু মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি কান্নদবা অদুম ওইনমক বি জে পিগী প্রোপেগন্দাগী খোঙচৎনি হায়না লেফ্ট পার্টিশিং ওইরিবা মণিপুরগী কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই- মাক্সিস), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), ফোরৱার্দ ব্লোক অমদি রিভোল্যুস্নরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি), মণিপুরগী সেক্রেটরিশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙরাং নোংমগী অতেনবা খোঙচত্তা মণিপুরদা লাক্লম্বা অদু লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) গী মরু ওইনা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রোপেগন্দা তৌনবা লৈবাকসিগী অমসুং মণিপুর ষ্টেটকী এক্স চেকরদগী শেল কান্নদবদা তিংহনবা খোঙচৎ অমনি হায়না লেফ্ট পার্টি মরি অসিনা লৌই হায়রি।

পুং খরা ইম্ফালদা লৈরম্বা অদুগী মরু ওইবা থবক্তি মমাঙদা লৈঙাক চুক্লি পায়রম্বা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইএন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক্না লৌখৎলম্বা অমদি ষ্টেটকী সেক্যুলর প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (এস পি এফ) না লোইশিল্লগা থল্লম্বগুম্বা থৌবাল মল্টি পর্পজ প্রোজেক্ট অমদি বিষ্ণুপুর-তুপুল-থৌবাল-কসোম খুলেন লম্বী শঙ্গারম্বগা লোয়ননা হান্ননা সেঙ্কসন তৌদুনা লৈরবা প্রোজেক্ট তরেৎকী উরেপ-উয়ুং তম্লম্বা অদুনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি মহাক্কী কাঙবুনা মণিপুরগী খ্বাই মীয়ামগী ফগৎনবগীদমক অনৌবা প্রোজেক্টশিং অমদি মণিপুর মীয়ামদা শেল থুমগী কান্নবা পীগদবা হীরম অমত্তা পুরকখিদবা অমসুং লাউথোক্লমদবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাক্লম্বা অদু মরু ওইনা মণিপুরগী মমাঙদা লৈঙাক চুক্লি পায়রম্বা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ষ্টেটকী এস পি এফ লৈঙাক অদুবু হুন্দুনা ভাঙবা, বি জে পিনা তৌরিবমখৈ চুম্মী হায়না চৎপা ৱাখলদা মণিপুরগী খ্বাই মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নবা তৌরম্বনি হায়না মণিপুরগী লেফ্ট পার্টি মরি অসিনা লৌই হায়রি।

লোয়ননা ওপোজিসন লেফ্ট পার্টি মরি অসিনা মখোয়গী চেরোল অসিদা মখা তানা ফোঙদোক্লিবনা মণিপুরগী চং-চং লাউরিবা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি, ষ্টেটতা স্পেসল ষ্টেটস পীবা অমদি মণিপুরদা খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগীদমক মান্নবা মীৎয়েং অমা য়েংদুনা তুং কোয়না ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতানা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা ৱাফম খন্নগনি হায়না হান্না খঙহল্লকখিদবা অদু মীয়ামগী য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

খুদক্কী ওইনা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিংনা খঙহনবদগী সী এস ও খরগী মীহুৎশিংগা তোঙান তোঙান্না উন্নদুনা মখোয়গী মেমোরেন্দমশিং লৌশিনখিবা অমদি মখোয়গী ৱারোলশিং তাখিবা অদু থবক্তা ওন্থোরকপা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়দনা অমদি ষ্টেট অসিদা স্পেসল ষ্টেটস পীনবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু লেফ্ট পার্টিশিং অসিনা থাজবা থল্লি হায়রি।

# প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিনচাই যোজনাগী খুদোংচাবা ফংলবা ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনলোক মঙাল লৈবা খুঙ্গং অমা ওইরক্লগনি : লাইশ্রম বিরেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): লমদম অসিগী ওইনা তঙাইফদবা মনা-মশিং, উহৈনচিংবা কয়া মশীং য়ামদ্রবসু খরদংদা ওইরবসু মফমসিগী অৱাৎপশিং মেনখৎপা ঙম্নবা ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনলোক্তা পূন্না হেক্তর ৩০ হেনবগী মফমদা মখল কয়াগী ফার্ম তৌবা হৌবনি।

ৱাফম অসি মফম অসিদা পায়খৎপা হৌরবা মশরুম ফার্ম, ফিসরিজ, দগ ফার্ম, পোটেটো ফার্ম, পি ফার্ম অমদি অনৌবা বর্সন অমা ওইনা এপলস অমসুং গ্রেপসকী মফমশিং য়েংশিনবা চৎলুবদা হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিবু পায়খৎলিবা লাইশ্রম বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ইম্ফালগী সঞ্জেনলোক অসি মঙাল লৈবা ভিলেজ অমা ওইরক্লবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।



মণিপুরগী খুঙ্গংগী লমশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অখন্নবা থৌরাং অমা ওইনা মণিপুরদসু চৎলিবা কুমজা অসিগী হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি কৃষি সিনচাই যোজনা (পি এম কে এস ৱাই- ঐচ কে কে পি) গী খুদোংচাবা কয়া ফংলবা ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনলোক্কী মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎতুনা লাকপনি হায়রি।

পি এম কে এস ৱাই - ঐচ কে কে পিগী স্কিমশিংগী মনুং চন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়র ঐচ রাজেন্দ্রোবু চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা থাবিরক্তুনা মফম অসিদা গ্রাউন্দ ৱাটর স্কিমশিং মফম চানা থন্বীবা অসিনা ফার্মরশিংদা অচৌবা ইনোৎ অমসু হাপ্পীরে হায়রি।

লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৮দা মফম অসিদা লাক্তুনা অৱাৎপা লৈতনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা পাউতাক কয়া পীরম্বগা লোয়ননা লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা খরা থেংনবা অসিবু ফোরেস কৌবা ত্রষ্ট অমগী মতেংনা কিলোমিটর তঙ্খাই অমগী লম্বী শেম্বগী থবকসু চথরি হায়না ফোঙদোকখি।

হীরম অসিদা লোকল বোদি অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংনা খরগা হেন্না মীৎয়েং চৎবীরবদি মফম অসিগী ফার্মরশিংনা মহৈ মরোং পুথোকপদা চাদা ৯০গী চাংদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়রি।

লোয়ননা ঐখোয় খুদিংমক থোং মান্ননা হিংমিন্নবা ঙম্নবা শুবা নোম্বদা মায় ওনশিল্লসি হায়নসু লাইশ্রম বিরেননা আপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, পি এম কে এস ৱাই - ঐচ কে কে পিগী মনুংদা ৩৭৫-সর্ফেস মাইনর ইরিগেসন স্কিমশিং অমসুং ৫৫০-গ্রাউন্দ ৱাটর ইরিগেসন স্কিমশিং পায়খৎনবা পান দমসু থল্লিবনি হায়রি।

# সৈপালগী এৱার্দ লান্থোকপগা লোয়ননা লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৩১দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা শৈহেক শৈরেং শৈপাল শেমগৎ লূপ (সৈপাল) গী থৌরম অমদা লূপ অসিগী এৱার্দশিং য়েন্থোকপগা লোয়ননা লাইরিক অমসু ফোঙগদৌরি।

থৌরম অসিদা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ এ কে মিরাবাইনা চীফ গেষ্ট ওইরগা সৈপালগী প্রসিদেন্ট ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌগনি। অদুগা টি এম রাজেন অয়াঙবা, এম এস পুর্নিমা ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর নিঙোম্বম রানিবালা লৈমা অমসুং সোসল ৱার্কর নোংমাইথেম শান্তনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি।

নুমিৎ অসিদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০২০বু রাজমনি নোংথোম্বমদা খূৎশিন্নবগা লোয়ননা ডা. ময়েংবম কমলা শৈরোল মনা ২০২০না জাতিশ্বর তোংৱমদা খূৎশিন্নগনি। লোয়ননা রাখেস নাওরেমনা ইবা ‘নুংশি শৈরোল’ কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙদোক্কনি। থৌরম অসিদা ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি, ডা. কে শান্তিবলা অমসুং রাখেস নাওরেমনচিংবা এৱার্দিশিংবুসু তরাম্না ওক্কনি হায়রি।

# এন এস সী এন-জি পি আর এনগী সনখিল লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ/গভর্ণমেন্ট ওফ দ পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিমগী অন্দর সেক্রেটরি ওইরমখিবা সনখিল রোবার্ট লমকাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লালহৌলূপ অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি (এম আই পি) গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি লালহৌলূপ অসিগী হেব্রোনদা লৈবা সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টেরদগী থোরকখিবা চেরোল অসিগী মতুংইন্না অন্দর সেক্রেটরি ওইরম্বা সনখিল রোবার্ট লমকাং অসি খুরমি রিজনগী মনুং চনবা ককানখু ভিলেজদগীনি। মহাক মতম শাংনা নাদুনা লৈরল্লবা মতুংদা ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক নাগা নেসনল সর্ভিসতা হৌখিবা কুমজা ২০১০দা মসিগী মেম্বর অমা ওইরকখিবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা মহাক্না হিংলিঙৈ মতম ফাওবদা থৌনা ফৰগা লোয়ননা নাগা নেসনগীদমক থবক তৌরমখি। মহাক লৈখিদবদগী হাঙদুনা লৈহৌরবা অৱাৎপা অসি মেনশিনবদা ৱানা থোক্লগনি হায়খি।

মহাক্না মশাগী খন্দনা কৎথোকপগা লোয়ননা নাগা নেসনগীদমক পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিংগীদমক মহাক্কী মমিংবু নাগাগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়বগা লোয়ননা নাগা নেসনগীদমক মহাক্না কৎথোক্লম্বশিং অদুবু নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়খি।

মহাক লৈখিদবদা এন এস সী এন/জি পি আর এননা থম্মোয় শোক্ল া অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি মহাক্কা নক্লনা লোয়নরম্বা মরূপ মপাংশিংগী মফমদসু অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখ্রে হায়রি।

মহাক লৈখিদবগী অৱাবা অসি মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক থৌনা লিংজেল হাপ্পীননবা শেম্বীরকপা মপুগী মফমদসু থৌনিজরি হায়খি।

# এদিসনেল এস পি বৃন্দাগী মথক্তা দ্রগ লোর্দনি হায়না চার্জ তৌখিবা এম দি মসলেনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী মে ৩০দা মতম অদুদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী দেপ্যুটি সুপরিনেটন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) ওইনা থৌ পুরম্বী থৌনাওজম বৃন্দানা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা লিলোং তুরেল অহনবীদা লৈবা মশাগী চহী ৬৪ রোম শুরবা এম দি মসলে এলিয়জ মসলেউদ্দিন এলিয়জ হাজি বাসিরউদ্দিনবু ইন্টরনেসনল দ্রগ স্মগ্লিং রেকেট অমগী লিদরনি হায়দুনা চার্জ তৌরগা মশামক্কী ময়ূমদগী ফাগৎখিবা থৌওং অদুগা মরী লৈননা পুলিস ওফিসর অসিগী মথক্তা একুাইজনি হায়দুনা মরাল শীখিবা এম দি মসলেনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।



মসিগী মতাংদা ঙসি লিলোংগী মফম অমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম ঐচ আর সীদা পিটিসন ফাইল তৌখিবা পিটিস্নর এম দি মসলেনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পিটিসন অদু মহাক্কী ইকায়খুম্ন বা, হিংবগী হক খোঙ্গাওনবা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীবিনবা ফাইল তৌখিবনি হায়রি।

মহাক্না ফাইল তৌখিবা পিটিসন অদুগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিনা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ১৯৮ ওফ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

মহাক্কী পিটিসন অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, লৈঙাক অসিগী প্রোজিক্যুসনগী দিরেক্টর, এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী এস পি, পুলিস ষ্টেসন অসিদা হান্না দি এস পি ওইরম্বী এদিসনেল এস পি থৌনাওজম বৃন্দা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মোইজিংদগী এম দি অবাস (৩৮), দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী লিলোং তুরেল অহনবী চীংখম মখাদগী এম দি ফৈসাল এলিয়জ অবদুল সলাম অপোকপা লৈখিদ্রবা হাজি অদুলানি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা মীফম অদুদা পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা মসলেনা ফোঙদোকখিবদা মহাকপু এন এ বিগী মতম অদুদা দি এস পি ওইরম্বী টি ঐচ বৃন্দানা মখূৎতা পৱার পায়রে হায়দুনা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মহাকপু কয়ারক হন্না ফাবা পুনবা, ওৎপা নৈবনচিংবা তৌখিবা অদু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী ৱাংমদনি হায়খি।

মী অমগী নীংতম্না হিংজবগী হক অমদি মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবনি হায়খি। মরম অদুনা মাঙখ্রিবা ইকায়খুম্নবশিং অদু হঞ্জিন্নবা ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী খূৎথাংদা কেস অসি ফাইল তৌবনি। লমদম অসিগী অচুম্বা পামজবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু অচুম অরান য়েংলগা মতেং পাংবীয়ু। হৌজিকসু মশক খঙদবশিংনা মাবু তোয়না কোয়থি থিরি হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম দি মসলেগী মচানুপা সগিৎ অহম্মদনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অপোকপা হাজি মসলেউদ্দিনবু মরী লৈনদবা কেস ময়াম অমা চেন্নহন্দুনা চহী ১গা থা ৭ জেলদা থমজিনবীবদগী মশা শোকপদা নত্তনা ৱাখলসু য়াম্না শোকথরবা মীশক অমা হৌজিক ওইরে। জেলদগী থাদোক্লবা কোর্টতা থেংনবতদা পাঙ্গল পূম্বা চোকথবদা নত্তনা শেল কয়া তিংলবা তুং অসিদা তুমিন্না লৈজরগে, মপুনা ৱায়েলবা ওইরসনু, মপু মানা খঙবীবা অদুনা পেঞ্জরগে হায়না মখোয়গী ইমুং লোইনা তুমিন লৈজরল্লবনি হায়রি।

অদুবু এদিসনেল এস পি বৃন্দানা কোনসেং ওইনা মথক্তা দ্রগকী মায়োক্তা থেংনবা সুপর কোপ, অতৈবুনা দ্রগ ললোনবশিংগা চৎমিন্নবা ওইনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা মশামক অমদি মহাক্না নক্লবা মীওই খরনা অতম্নমনা হোৎনরকপা উরকপদগী নুংঙাইতদুনা মখোয়গী ইমুংনা এম দি মসলেদা হায়জরগা মীয়াম মাঙদা অচুম্বশিং অদু ফোঙদোকচখিবনি হায়রি।

জেলদা চহী কুইনা মরাল লৈতনা লৈরুরবা মীওই অমনা করি খল্লমগনি হায়বসি মীয়াম্নসু খঙবীগনি। অচুম্বদু পুথোক্লরগা করি অমুক অনৌবা মরাল শীবিরক্কনি হায়বগী চিংনবা হৌজিক হৌজিকসু য়াম্না কন্না লৈরি হায়খি।

মচানুপা অহম্মদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অপোকপবু মরী লৈনদবা কেস অমদা চেন্নহনবা, মশাদগী দ্রগ সিকি অমগী চাংসু ফংদবদা প্রেস কনফরেন্স তৌদুনা মীয়াম মাঙদা ইন্টরনেসনল দ্রগ কার্টেলগী কিং পিননি, দ্রগ লোর্দনি হায়না লাউথোক্তুনা হৌজিক ফাওবা গুগলদা দ্রগ লোর্দ/কিং পিন হায়না থিবদা মহাক্কী অপোকপা মপাগী মীং থোরকপা, ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দুনা অসুক কুইনা জেলদা নমশিনবীবা অসি পোলিটিকেলগী ওইবা লৌতুনবনি হায়না মখোয়গী ইমুংনা লৌদবা ঙমদে হায়রি।

মহাক্কী অপোকপবু দ্রগ লোর্দনি হায়না লাউথোকপীবা অসিদি খাঙবদা য়াম্না ৱাই। দ্রগ লোর্দকী মচানুপানি হায়না মীয়ামগী ওইবা মীৎয়েং অমা লৈবনা মখোয়গী ইমুংনা অৱা-অনা কয়া নংখি। মখোয়গী মচিন মনাওনা গভর্ণমেন্টকী ওইবা থবক মচা অমখক চঙনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে। মহাক্কী মপাগী কেস কোর্টতা থেংনবদসু বৃন্দানা মতম চানা চে য়ৌহনবীদবা মরম্না য়াম্না অৱাবা থেংনখি। ৱাফম অসিমক কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর থাদা লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ওপন লেট্টর অমা ইমুংগী মায়কৈদগী থাখিবনি হায়রি। অদুবু, কনানসু তাবীখিদে অমসুং থিজিনবীখিদে হায়খি।

মরাল লৈতবা মীওই অমবু কনাগুম্বা পুলিস ওফিসর অমনা, মদুসু ময়াম্না পুকচেল শেংবী, থৌনা লৈবীনি হায়না লৌনবী অমনা মরাল থংজিনগে, লাক্লগে হায়রগদি য়াম্না লায় হায়বা অসি মহাক্কী অপোকপা মপাগী মতাংদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা য়াম্না ময়েক শেংনা তাক্লে হায়বা য়াই। মীয়াম্নসু অচুম্বা থিগৎপদা মতেং পাংবীয়ু। মহাক্কী মপা অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মাঙখ্রবা ইকায়খুম্নবা অসি খরদা ওইরবসু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। সোসল মীদিয়াদা, মরু ওইনা ফেসবুক্কী গ্রুপ ময়াম অমদা অচুম অরান খঙদনা কম্মেন্ট পীবা অসি তৌবীগনু হায়নসু আপিল তৌখি।

কম্মেন্ট পীবিবদা মীরক তিন্দবা মওংদা ঙাঙ-শকপা, কম্যুনিতি পন দুনা চৈ থাংবা তৌবা অসিসু তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংগী খূৎথাংদা আপিল তৌখি।